# এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা টি সি এম দি সি, এলিটতা ত্রাও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসিদগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা ৩ শুবা এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমসুং দব্লিয়ু প্রহ্লাদা অমসুং দব্লিয়ু রমানন্দা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ চথবা হৌখ্রে।

ঙসি নোংমতদা টুর্নামেন্ট অনী প্লেট অমসুং ইলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌদোকখিবগা লোয়ননা মেচ অনীমক য়াম্না নুংঙাইরবা অমা ওইখি।

টিম ১০ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা ঙসিদগী চথবা হৌখ্রবা এম সি এ ইলিট গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা ওপনিং মেচ লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবদা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা ক্রাও খম্নাম বজার ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ওপনিং মেচ অদুদা ক্রাও খম্নাম বজারনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা শেম শাখি। ওভর ৫০ পীদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ক্রাও খম্নাম বজারনা ওভর ৪৭.৩ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী রন ১৪৫ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি।

ক্রাওগী বেটসমেন হেরাচন্দ্রনা রন ৩৪ (৫৩), পাথোইনা রন ১৬ (২১), বিমোলনা রন ১৬ (৪০) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা ত্রাওগী বোল্লর সরোজনা ৱিকেট ৪, থোমাস অমসুং প্রিয়োজিৎনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

ক্রাওনা থন্নম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ত্রাওগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং চেকশিন্না শান্নখি। ত্রাওগী বেটচমেন কর্নজিৎ অমসুং প্রিয়োজিৎকী ফজরবা পার্ফমেন্সনা ত্রাওবু শুপ্নগী ওভর ২২ দা ৱিকেট ২ আউট ওইরগা রন ১৪৬ লৌদুনা ক্রাও খম্নাম বজারবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি।

ত্রাওগী বেটসমেন কর্নজিৎনা রন ৫৯ (৫৭), প্রিয়োজিৎনা নোট আউটতা রন ৫৬ (৪০), সহাদটনা রন ২৩ (২১) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা ক্রাওগী বোল্লর অজয় অমসুং জয়চন্দ্রনা ৱিকেট ১/১ লৌখি। মেচ অদুদা ত্রাওগী প্রিয়োজিৎনা রন ৫৬ (৪০) লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

হয়েং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা প্লেট গ্রুপকী মেচ ওইনা ওস্কার পাওনা বজার অমসুং পি সি সি ময়াই কোয়বীগা শান্নগনি। লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদসু প্লেট গ্রুপকী মেচ ওইনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমসুং ৱাই এ সিগা শান্নগনি।

ঙসি অতোপ্পা মেচ অমা ওইনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা টি সি এম দি সিনা নবসা রন ৩০ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা টি সি এম দি সিনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩৫ দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৯৪ লৌখি। টিমদুগী বেটসমেন প্রিয়োবর্ত্তনা নোট আউটতা রন ১০২ (১০০) লৌখি। সৈতেন্দ্রনা রন ২২ (৬৩) অদুগা টুলজিৎনা রন ১৩ (২১) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা নবসাগী রোসিকান্তনা ৱিকেট ২, সিমোন অমসুং বিমোলনা ৱিকেট ১/১ লৌখি। নবসানা ওভর ৩২.২ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী রন ১৬৪ খক লৌদুনা ওল আউট ওইদুনা টি সি এম দি সিগী মখূৎতা মায়থীখি। মেচ অদুদা প্রিয়োবর্ত্তনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

## ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ ঃ
ইরোম য়ূম্ফম য়ুথ ক্লব (আই ৱাই ৱাই সি) নাওরেম মখা লৈকায়না শিন্দুনা অহানবা ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ১৯ দগী ২২ ফাওবা নাওরেম মখা লৈকায়দা লৈবা আই ৱাই ৱাই সিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব এসোসিএশন অমসুং ওর্গেনাইজেশনশিংনা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী এন্ট্রিশিং অদু মপান কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী ওফিসতা পীশিল্লক্কদবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ১৫, রননর্স-অপতা লুপা লিশিং ১০, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট সেট্টর অমসুং বেষ্ট দিফেন্দরদা লুপা লিশিং ১/১ গী শেলগী মনা পীগনি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

## দি এস এ ত্রোফিদা কে পি এস সি ককচিংনা হিশু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচিংগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা দি এস এ ত্রোফি নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ইনবাইটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সিগী অরোইবা লীগ মেচতা কে পি এস সি ককচিংনা হিশু থৌবাল মায়থীবা পীদুনা কে পি এস সি ককচিং ক্বার্টর ফাইনলে চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সিগী অরোইবা লীগ মেচ অদুদা কে পি এস সি ককচিংনা হিশু থৌবাল গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা কে পি এস সি ককচিং গ্রুপ সিগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা হিশু থৌবাল মেচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা কে পি এস সি ককচিংগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি।

মেচকী য়াম্না ঙল্লিঙৈ অনীশুবা মিনিটতা কে পি এস সি ককচিংগী বেনরজিৎনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। কে পি এস সি ককচিংনা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা হিশু থৌবালগী কৃষ্ণনন্দনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী হাফ মতুংদা কে পি এস সি ককচিংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা গোল অহুম থংনা থংননা চনশিনখি। টিমদুগী শান্নরোয় ঙমনৈরিল কোমনা গোল অনী মেচকী ৬৯ অমসুং ৮৩ শুবা মিনিটতা অদুগা গোপিনা গোল অমা মেচকী ৮১ শুবা মিনিটতা চনখি।

## ওফা কপকী ফাইনেলদা ৱাই দি সি এল অমসুং এম এস সি পি শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ ঃ
ওরিয়েন্টেল ফুটবোল একাদেমি (ওফা) পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা ওফা গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা ওফা কপ ২০১৬ কী ফাইনেল থা অসিগী ১৩ দা ৱাই দি সি এল পুংদোংবম অমসুং এম এস সি পি ক্যামগৈ অনীনা শান্নরগনি।

টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা এম এস সি পি ক্যামগৈনা পুপু পুংদোংবম গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা এম এস সি পি ক্যামগৈ ফাইনেল চঙখিবনি। মেচ অসিদা মায়থীহৌরবা পুপু পুংদোংবম ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা এম এস সি পি ক্যামগৈ অমসুং পুপু পুংদোংবমগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা এম এস সি পিগী রোসন্না মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখিবগা লোয়ননা টিমগী মায় পাকপগী গোল চনখি। এম এস সি পি ক্যামগৈনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোখ্রিবা পুপু পুংদোংবমগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্কবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা পুপু পুংদোংবম্না গোল হন্দোকপা ঙমখিদ্রবা মতুং মেচকী হাফ মতুংদসু টিমদুগী শান্নরোয়শিংনা লৈজবী মথৌনা ফুদোক্তুনা ফনা কন্না শান্নরবসু গোল হন্দোকপদি ঙমখিদে।

## অনীশুবা সভেন মেন এ সাইদ টিদ্দিম লীগ

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ ঃ
ফোইজিং অৱাং য়ুঠ ক্লব (পি এ ৱাই সি) ফোইজিং নম্বোলনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা সভেন মেন এ সাইদ টিদ্দিম লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাই ও সি ৱাহেং খুমন মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টিদ্দিম লীগ ত্রোফিগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ৱাই ও সি ৱাহেং খুমন্না কে ৱাই ভি ও খুনফম টাই ব্রেক্তা গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ৱাই ও সি ৱাহেং খুমন সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কে ৱাই ভি ও খুমনফম টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা ৱাই ও সি ৱাহেং খুমন অমসুং কে ৱাই ভি ও খুনফমগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরকখি। অঙনবা মতমদগী হৌনা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অমনা অমগী মায়োক্তা গোল চন্ননবগীদমক অকনবা এটেক চথনখি। অদুবু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈনখি।

মেচকী হাফ মতুংদসু টিম টিমগী শান্নরোয়শিং অদুনা থৌনা হনবা লৈতনা লাল্লোং কয়াগা লোয়ননা গোল একাউন্ট হাংদোক্কবা হোৎনখি। মেচকী নোর্মেল টাইম ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখিবনা টাই ব্রেক্কী কিক্স ফ্রোম পেনালটি মার্কনা মেচ অদুগী মরায়বক লেপ্পা তাখি।

কিক্স ফ্রোম পেনালটি মার্কতা ৱাই ও সি ৱাহেং খুমন্না গোল মরি চনখি অদুগা কে ৱাই ভি ও খুনফম্না গোল অহুম চনখি। মেচ অদুদা কে ৱাই ভি ও খুনফমনা গোল অমা হেন্দুনা মেচ মায় পাকখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ৱাই এস দব্লিয়ু এ উংলৌ অমসুং ৱাই এ দি এ কুম্বী কাংশোইবী মপান অনীনা শান্নরগনি।

## গভর্ণরস কপ ইনভাইটেসন, ৱিমেন পোলো টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ ঃ
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশননা শিন্দুনা হয়েংদগী ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা লৈবা পোলো গ্রাউন্দদা ২৬ শুবা গভর্ণর'স কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং ১৫ শুবা গভর্ণর'স কপ ৱিমেন পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা লমদমসিগী মমিং লৈরবা পোলো টিম ১২ না শরুক য়ারি। টিমশিং অদুদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি) এ, বি অমসুং সি, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (সি পি সি), ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব (আই টি পি সি), নম্বুল মপান পোলো ক্লব (এন এম পি সি), খুরাই পোলো ক্লব (কে পি সি), আই আর সি, কে এম এম রাইদিং স্কুল, তেকচম পোলো ক্লব অমসুং ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস' ক্লবনি। ২৬ শুবা গভর্ণর'স কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেচ হয়েং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব অমদি ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েং মণিপুরগী গভর্ণর ভি সনমুগনাথম, মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এস বুধচন্দ্র, ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমার, উরিপোক কেন্দ্রগী এম এল এ, এল নন্দকুমার অমসুং কৈশামথোং কেন্দ্রগী এম এল এ, এল ইবোমচানা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।





HL-B/2975/24/2-23/3



HL-B/2918/4/2-20/3(alt.)



HL-B/2986/1-20 March



HL-B/3004/10,13,16,19,22,25,28,31,3,6,9,12,15,18,21,24,27,30,3,6



H/L-B/2953/10/02-9/03



HL-B/3007/10/03-9/04





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com